
থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# নুংশি হৈতবা লম্বোইবা




ফোর্দ মোতোর কম্পেনি গী ফাউন্দর, মালেমগী খ্বাইদগী মায় পাক্লবা (পাকখিবা) মীশক অমা ওইনা মতম চূপ্পদা শীংথানরিবা, অমেরিকাগী খ্বাইদগী শেল পায়বা মীশক অমসু ওইরম্বা 'হেনরি ফোর্দ' না হায়রম্মী 'নঙনা তৌরিবা থবক অদু হঞ্জিন হঞ্জিন তৌরবদি নঙনা ফঙলিবা পোৎ অদু হঞ্জিন হঞ্জিন ফংগনি।' ৱাহায় অসিদা করি থোইদোকপা হেন্দোকপা, খন্ননীংঙাই ওইবা য়াওবগে? খনবীরমগনি, হংবীনীংলমগনি। ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবা, মানা তৌবনা মানা ফংবা - ইপা ইপুনা হায়নদুনা লাকখি। অদু নত্তে মতাঙসিদা নীংশিংলক্লিবা। ...'অঙকপনি তাইবং লীলা ঙরাং চাক্লিবা ওইহৌবদু ঙসিসু অদুম নিরম্মী, মীগী মপোৎ হুাল্লম্বগী নহান্তা চৈরাক ফংখিবদু ঙসিসু অদুম হুরাল্লম্মী' ... হায়না ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈ, শুমাঙ-কুমহৈগী ফাগী পুবা অমনা হায়খিবদু নীংশিংলকই। হিংনবগী লানফমদা নোংমগী চরা অনী ফঙবনা পান্দম ওইবা, হয়েংগী চরাদুগী খন্ননবা শংদবা - মখোয়দুনা মশীং হেনবা খুন্নাইসিগী আশা য়াওদ্রবা মীয়ামদা আশা পীবা ৱাহায়নি হেনরি ফোর্দনা হায়রম্বা।

ফোর্দকী ৱাহায় অসিনা ৱারী অমা নীংশিংহল্লি। কনানা ইবনো খঙদবা, মশীং থীঙমদনা লৈরিবা ৱারীশিংদুই মরত্তা অমনি। পাখিরম্বা য়াই অদোমসু, অকাউ পৈরে চনখ্রবা! নৌনা অমুত্তং নীংশিংসি। ঐহাক থাজে - কান্নবা খরদি ফংগনি। ঙসিগী মীরোলদা শোয়রিবসি ফিদম ৱারী অমত্তা পানীংদবা/পাবীদবা অসিনি। ৱারী অদু লম্বোইবা অনীখক্তা য়ূম্ফম ওইবা ৱারীনি। কুইরবগী মমাঙগী খুঙ্গং অমদা সেত তৌবা ৱারীনি। য়ুমথোং খুদিং চঙলগা, লাইনিং লম্বী তাক্লম্বা, অফ-ফত্ত নৈনবা, মদুনা থৌদাং ওইজবা, পুকচেল চাউবা কনানা পীজরকপা খরা অদুনা, মপুক থনবা-থন্দবা-পেন্থোকচবা লম্বোইবা অমগী মাগী সেবক অমগা, নোংমই নুমিৎ অমদি য়ুম কুংনা তাদবা খুঙ্গং অমদা থুংলরে। নুমিৎচুপ্পা অদুমা, চানবসু ফংদরে। নুমিদাং থেংজিল্লক্লগা খাংপোক অমা থেংনরে। থোঙজিন দুদা লেপ্পগা সেবক্তুনা হংকৎলুই, 'কনা কনা লৈবগে? অহিং নোংয়াই সিমত্তং লেকচখিবা য়াগদ্রা?'

মীয়ায় চনশিল্লক্লবা য়ুম্বুদুনা মখোয়বু ইমুংদুদা কৌশিল্লে, নোংল্লুকপগা লোয়ননা। পুংকক চাউশিল্লক্লবা মচানুপা অমগা মতৈ মনাও অনীতগা ঈংনা চীক্লা পানজবা লায়রবা ইমুং অমনি। 'ঙসিদি চরা হেনবা তারেদনা' লম্বোইবা নহা অদুনা হায়দোক্তনা খনখিবনি। ৱাখল অদু উবরা? য়ুম্বুদুনা হায়রকই - 'ইকায়খুম্নজরবা! লৈত- লৈত লাঙজবা মথেল খরা অসিনা অরাম-খৌরাং খরদং কোকঙম্বরা য়েংবীয়ু ... ননাই ওইবা ঐখোয়গী লৈজবদি 'সিতনি।'

শঙ্গোম-মপান, ননি-মাখোন, অথুম-অহাও ... থাজখিদে, খাংপোক্তুগী মনুংদা অদুগুম্বা মথেল-লুকোয়! কদায়দগী করম্না?

'ননাই ঐগী ষণবী জুরা অমখক লৈজে, মখোয় অনী লৈবনা হিংবা ঙমজরিবনি, মখোয়গী সেবা নত্তনা লৈতে ঐখোয়গী থবকসু, মনা-মশীং, উহৈ-ৱাহৈ ইঙ্খোলসিদা থাজবা, নোংমই থোকপা শঙ্গোমগা য়ুমথংনবা খুন'সিদা য়োল্লুরগা ফংলকপা তরেৎ শেঞ্জা অদুনা ইপা-ইচা ঐখোয়গী চরা নোংখনফমনি।'

নহা ওইবা লম্বোইবা হোৎনবা কনবা ইমুংদুবু থাগৎখি। মহাক্লুম্বা কয়ানা খুঙ্গং শীন্না লৈরবা, লৈপাক অসি নুংঙাইনি। মীওক-মীচান ফরবা, পুকচেল চাওবা মতৌদুগী করিনা লমন শিংগনি? মতাঙ চাবদা শিংলগে, নিরগা চাবা ঐখোয়না পীরুগনি করিবু?

চিংখৈ ফিদুপ হুল্লকপা, অতোপ্পা খুল অমইদমক খোঙশান্নবা থোরক্লে। খুল অদু লান্দ্রিঙৈ, লম্বোইবনা হায়রকই, 'সিদা ঐহাক ঙাইরমগে, চৎলু তন্না হল্লুচো, য়ুম্বুদুগী ষণবী-ষন্নাউ জুরা অনীমক মনাক নকপা কোমজাওদা ইন্থদুনা হাৎতোক্লুম্মু।'

'করি ৱানো গুরুদেব? অদুক তৌবীমল খঙদবা ...।'

'মসি ঐগী য়াথংনি, য়াথং অসি পাঙথোকউ।'

গুরুগী য়াথং ঙাকপদা থম্মোয় কায়খি সেবক্কী। লায়রবা ইমুং অদুগী অমত্তা ঙায়রবা হিংনবই পাম্বৈ থদৎপীরম্বা! অদুসু, অহিং অমা লেকহন্দুনা পোখাফম পীবই মথক্তা মপুক থন্না পীজরকখিবা থবক্তুগী মহৈ ওইনা! লাইমন ওইখি ৱাখলদু।

কুমজা কয়া হৌখ্রে। মাগী গুরু লম্বোইবা লাইরৈবাক্তা চৎখরে। সেবক অদু ঙসিদি গুরুগী মহুৎ শিল্লরে। অসুম থোকউ হায়দুনা খোঙচৎ অমা চৎপদা অদুঙৈগী খুন'দুদা থুংলুরে। মীনা কুংনা তারল্লে। ইঙ্খোল শম্বল পুম্নমক মশক পুমওন ওল্লল্লে, খাংপোক্তুগী মহুত্তা মথোল অনী লোঙলবা, ফজরবা চেক্কী য়ুম! নাক-য়েৎ অনীমক ফজরবা হৈকোল-লৈকোল।

'ঙাকপীগনি! অদুঙৈ, মফমসিদা লৈরম্বা ইঙ্খোলদুগী মপুদু উন্নজবা ফংনবা লম্বী অমত্তং তাকপীয়ু ... ইঙ্খোল অসি মহাক্লা মমল কয়াদা য়োল্লম্বনো' ... ?

লম্বোইবগী ৱাহংদুদা ফিজেৎ নানবা অহলদুনা মোমোন নোক্লা পাউখুল্লকই ... 'গুরুদেব! ইঙ্খোল অসি ঐগীনি, লৈবা নত্তে কনাদগী। মমাংঙৈদে হৌদুনা ঐগী অদুম ওইরকই। ... কুইরবগী মমাঙদা লম্বোইবা মপা-মচা অনীখক ঐগীদা মীথুং ওইরখি, নোংঙাল্লকপদা চৎখিরল্লে ... নুমিত্তুগী নুংথিলদা ঐগী ষণবী অনীমক, কোমজাওদা তাদুনা শিরল্লে ...। হিংনবই পাম্বৈ ওইরম্বা ষণবীদুনা মাঙখ্রবদা, অতোপ্পা পাম্বৈ থিবা তাখি ... শীজিন্নফম খঙদ লৈরম্বা লৌবুক-লমহাং, মমা-মচাগী মতেঙগা লোয়ননা মহৈ-মরোং, হৈপাল-লৈপাল থারকখি ... মরীক চূম্বা লৌরোক্লা ঐগী লাইবক হোংহনখি। য়ূমলোন্নবা খুন্দগী খুল্লান্দুনা খুন দারকখি, মমল লৈরমদবা লবুক-লমহাঙ মনিগী মশক ওইরমখি ... ঐ খঙই, অহীং অমগী মীথুং ওইরখিবা লম্বোইবা, ঐগী লাইবক ইনবা নোংদম্বনা থারক্লম্বা লাইগী দুত অমনি ... মখোয়গী সেবা মতীক চাখিদবনা শিখিবা ঐগী ষণবী অনীদু শিরমদ্রবা, লাইবক্কী থা থোরক্লল্লোই...।' নুমিত্তুদতা খঙলকখি, নুংশি হৈতবগী খল্লম্বা মাগী গুরু অদুগী মতীক-মগুন।

লৌশিং পুক্কৈ

# কা-হেন্না শাবা কোফী থকপগী ফংতবা



তোঙান-তোঙানবা ষ্টদিগী রিপোর্ট ১০০০ রোম নৈনদুনা য়েংবদা কা-হেন্না শাবা মহী থকপনা হকচাংদা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই হায়বা খঙলে।

ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী এজেন্সী অমনা হায়খি, কা-হেন্না শাবা কোফী অমসুং অতৈ মহীশিং থকপনা ইসোফেগস কেন্সর ওইহল্লকপা য়াই। কোফীনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পীবা তারবসু কা-হেন্না শানা থকপা ফংতে। কোফীদা লিভর, ব্রেষ্ট অমসুং য়ুটেরাইন কেন্সর ঙাকথোকপা ঙম্বা মচলশিং য়াওই। অদুম ওইনমক সেলসিয়স দিগ্রী ৬৫ দগী হেন্না শানা থল্লবদি কান্নবগী মহুত্তা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই।

ইন্টরনেসনল এজেন্সী ফোর রিছার্চ ওন কেন্সর (আই এ আর সী) না তোঙান তোঙানবা ষ্টদি ১০০০ রোমগী রিপোর্ট নৈনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। রিপোর্ট অসি য়েংশিন্দুনা নৈনবদা শরুক য়ারিবা ইপিদমিওলোজিষ্ট দানা লুমিসনা হায়খি, ঈশিং অমসুং কোফী য়াওনা মখল খুদিংমক্কী মহী




থকপনা হকচাংদা কান্নবাপী। তৌবতবু কা-হেন্না শাবা মহী থল্লবদি হকচাং শোক্লিংঙাই ওই।

কা-হেন্না শাবা কোফী অমসুং চা থকপগী হৈনবী লৈরিবা চাইনা, ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ ইরান, টর্কি অমসুং সাউথ অমেরিকাদা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টশিং কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। মদুদা সেলসিয়স দিগ্রী ৭০ দগী হেন্না শাবা মহী থল্লবদি ইসোফেজিয়ন কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকই হায়বা খঙলকপনি। ইচম চম্বা ঈশিংসু সেলসিয়স দিগ্রী ৬৫-৭০ দগী হেন্না থল্লবদি ইসোফেসিজয়ল কেন্সর ওইহল্লকই হায়বা উচিদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা খঙলকখি।

অদুম ওইনমক কোফীবু পামজনা থকপা মীওইশিংগী নুংঙাইবা পাউ ওইনা নোর্মেল টেম্পরদা শাবা কোফী থল্লবদি য়ুটেরস, লিভর অমসুং ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্ক হন্থরকই হায়বা খঙলে। কোফীদা এন্টিওক্সিদেন্ট কয়া য়াওবগা লোয়ননা হকচাংদা কান্নরবা মচল কয়ামরুম য়াওই হায়বসু খঙলকখি।

ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না হায়খি, ইসোফেগস (ফুদ পাইপ) তা কেন্সর তৌরকপগী কেস অয়াম্বা কা হেন্না শাবা মহী থকপদগী ওইরকপনি। মালেমদা চহী খুদিংগী মীওই লাখ ৮০ রোম কেন্সরনা মরম ওইরদুনা শিবগী মনুংদা মীওই লাখ ৪ রোমদি ইসোফেগসতা কেন্সর নাবদগী শিবনি।

কা-হেন্না অশাবা মহী মখল খুদিংমক থকপা ফংতে হায়বসিমদি তশেং তশেংনা খঙলে। অদুবু কোফী থকপন হকচাং ফহনবা নৎত্রগা শোকহনবগী মতাংদদি য়েৎননিংঙাই ওইবা ৱাফম খরা লৈরি। বৃটিশ কোফী এসোসিয়েসনগী রিপোর্ট মতুংইন্না অয়ুক তূম্বা হেক হৌগৎলকপগা কোফী থকপা মতমদা মীৎ শিংহনবগা লোয়ননা ৱাখল খনবা ঙম্বগী চাং হেনগৎহল্লি হায়রি। অতোপ্পা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি মতম শাংনা কোফী থকপা মতমদা লায়চুবগী ফীভম লাকই অমসুং কোফী থক্তবা মতমদা হকচাং ইতন তনথদুনা হৈনিংবা ফাওহন্দে হায়রি।

অমরোমদা, ইটালিয়ন রিছার্চর কাঙবু অমনা হায়খি, মদুদি চাং নাইনা কোফী থকপনা ব্লেফারোস্পাজমদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। ব্লেফারোস্পাজম হায়বসি ইশানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবা মওংদা মীৎ পংকুপতা কুপ্পগী থৌওংবুনি। থৌওং অসিনা কনাগুম্বা মীওই অমবু মীৎ তাঙহনবা ফাওবা য়াই। নুমীৎ খুদিংগী কোফী কপ অমা নৎত্রগা অনী থকপা মতমদা খুদোংচাদবা অসি ঙাকথোকপা ঙম্বগী খুদম ফংলে।

অমরোমদা, কা-হেন্না কোফী থকপনা বোন মিনরেল দেন্সিটি (বি এম দি) হন্থহনবা মরম্না শরুগী মপাঙ্গল শোন্থহল্লি হায়না অতোপ্পা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। বি এম দি হায়বসি শরুদা য়াওবা কেলসিয়ম অমসুং অতৈ মিনরেলশিংগী চাং অদুবুনি। মতম শাংনা কোফী শীজিন্নরবদি বি এম দি হন্থরক্তুনা শরু পাথরকপদগী ওষ্টিওপোরোসিস ওইহল্লকই।

কোফীদা য়াওবা কেফিননা তূম্বদা অকায়বা পীবা মরম্না তূম্বা য়াহন্দে। কনাগুম্বনা নুমীদাং চুপ্পা থবক শুগদবা লৈরবদি তোয়না কোফী থকপা মতমদা তূম্নিংবা ফাওহন্দে।

কোফী কপ অনী থল্লবদি হকচাং শাজেল তৌরুবগী মশল নাবা থীনে দাকপা ফহল্লি। কেফিননা চৈনাখোল ফাথবদসু মতেং পাংই। কেফিনগা চৈনাখোল ফাহনবা হীদাক পেরাসিটামোলগা পুন্না চামিন্নরবদি লিভর শোকহল্লি হায়রি। ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, কোফীদা কেফেষ্টোল কৌবা পোৎলম অমা য়াওবা মরম্না কোলেষ্টরোলগী চাং ৱাংখৎহল্লি।

# মাইনোরিটি ট্রাইব ৮গী মহৈরোয়শিং ওকপগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : ইন্দিজিনস মাইনোরিটি ওর্গনাইজেসন মণিপুর (ইমোম) না শীন্দুনা মাইনোরিটি ট্রাইব নিপানগী ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বতা ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরকখ্রবা মহৈরোয় ৫০ দা মনা য়েন্থোকপা অমদি ওকপগী থৌরম ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা অদিমজাতি শিক্ষা অশ্রমগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সর্টিফিকেট পীবা অমদি পুক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অদুদা কৈরাও এ সীগী এম এল এ, এল রামেশ্বর, সদর হিলস, কাংপোকপগী এ দি সী ডা. এম এল দোমিনিক কনসৌৱা, আর ঈ দিগী ইগজিক্যুটিব এঞ্জিনিয়র কে এস কোথিল মরিঙ, নিপকোগী এদভাইজর সুনিল করাম, য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট এন বিমোল, মাপিল কাউন্সিল অমসুং ইমসকোমগী প্রসিদেন্ট মোমসোকম বাপুইনা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা অদুগা মরী লৈননা এল রামেশ্বরনা হায়খি, ইমোমনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি থাগৎনিংঙাইনি। লায়রবশিংদা পাঙ্গলগী, শেলগী ওইবা অঙম্বা মতেঙ পাঙদুনা চাউখৎনবা হোৎনবা ফৈ। পুন্না চাউখৎমীন্নরবা তুংদা চাউখৎপা হায়বসি লাক্কদবনি। হৌজিক্কী মতমদা মপানদা লাইরিক তম্লগা মপানদা থবক তৌনরকপা, লাইরিক হৈবা মশীং য়াম্লকপদগী মণিপুরসি পীকশিল্লক্লে। অদুনা মণিপুরগী বাউন্দরিগী ঈহৌ কয়া লাকপদসু শরুক য়াহন্নিংই।

মণিপুরদা লৈরিবা আর্মিশিংনা ক্রাইম কয়া চথরক্লিবসি আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার এক্ট ১৯৫৮ কী মরুমদা চথবনি। মীয়াম্না এক্ট অসিগী মায়োক্তা ঈহৌ কয়া হৌদুনা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। অফস্পা লৌথোক্লবগীদমক চীফ মিনিষ্টরদা হায়জদুনা লাক্লি। মমাংগী লৈঙাক্লা চীংদা শেল ময়াম থাদরবসু অরেম্বদা মাঙবদৌনা তৌরিবসি নুংশিনদবদগীনি। নুংশিনরম্বা তারবদি থাদরিবা শেল ময়ামদুনা ঙসি চাউখৎলমগদবনি। শেল ঙাক্তা থাদবনা য়ারমদ্রে, মরুওইবদি নুংশিবনি। অদুনা হৌজিক্তি চীংদা চৎলবসু ঐখোয়দা অকিবা লৈত্রে। সিরুই লিলি ফেষ্টিবেলদা হোটেল অমা ফাওবা লৈতবা মরম্না ঐখোয় অহিং লেক্তনা হল্লকখিবনি। হৌজিক মীয়াম্না পামদবা কয়া লৈরিবসিসু লৌথোক্লবা হোৎনগনি হায়খি।

সুনিল করামনা হায়খি, ঙসি সর্টিফিকেট পীদুনা ইকাইখুম্নরিবা, পুক্লিং থৌগৎলিবা অসি মমা মপা ফুনবা, ময়াই কাবা চীঞ্জাক চানবা নত্তে। দিসিপ্লিন লৈনবা, মমা লৈবাক নুংশিনবগীদমক্তনি। লাইরিক হৈরগা মশাগী খক্তা খনবদগী লাইরিক হৈতবা ময়াম্না মরৈবাক অসি কল্লিবনি। লাইরিক য়াম্না হৈরবা মার্ক য়াম্না ফঙলগা চৎখিবশিংনা লৈবাক্কীদমক্তা করিগুম্বা খরদি তৌবা চঙই। লৈঙাক পায়বশিংনা লৈবাক নিংদবা অদুগা সোসল ৱার্কর কয়া অমদি পোলিটিসিয়ন কয়াসু মসিগী মরক্তা য়াওরি। মসিনা লৈবাক কায়বা, নুংশিনদনবা মরু হুল্লি হায়খি।

আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার এক্টনা নঙ্গলদা পোরগা লৈরগা এ সীগী কা মনুংদগী হেন্দোক্তনা লাইরিক তম্লবসু লায়বক থিবনি। চপ মান্নবা ৱাখল্লোনদা চৎমিন্নবা চঙই। মণিপুরগী লায়বক কনগদবসি ঐখোয়নি। অপুনবা মণিপুর হায়বা মায়কৈদা চঙশিন্দ্রবদি ঐখোয়গী ফিরেপ লৈতে। ফুরুপকী অমদি ঐখোয়গী ইরমদমগী খল্লগা মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনগদবনি। ইমোমনা লাইরিক তম্বা ফঙদ্রবশিং, লায়রবশিংদা মতেঙ পাঙলি। মসিদা য়ু সী এমগী মায়কৈদগীসু পাঙবা য়াবা মতেঙ পাঙগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

খারম, আইমোল, চিরু, মরিঙ, থাঙ্গাল, কোইরেং, পুরুম, কোমগী ফুরুপশিংদগী ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বতা ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরকখ্রবশিং মনা পীদুনা ইকায়খুম্নখি। ফুরুপ নিপান অসিদগী মহৈরোয় তরুক তরুক খনগৎতুনা সর্টিফিকেট অমদি মনা খুৎশিন্নখি।

## লিগেল এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিস ওথোরিটিগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিস ওথোরিটি অমসুং সর্জুবলা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট কোওপরেটিব সোসাইটি কিয়াম সিফাই থৌবালনা পুন্না শীন্দুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি থৌবাল ৱাংমা তাবদা লৈবা নিমাইচান্দ এন্দ কৈন্যা হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

সর্জুবলা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট সোসাইটিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিস থৌবালগী চ্যেয়রমেন ওইরিবা সলাম ইমোচানা চীফ গেষ্ট, নিমাইচান্দ এন্দ কৈন্যা হায়স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস বি মেমেতানা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। স্কুল অদুগী ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ওজা এন ব্রোজেন্না গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

স্কুল অদুগী ওজা অমসুং মহৈরোয় ১০০ রোমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা এৱ্যেয়রনেস প্রোগ্রাম অদুদা এদভোকেট বি সুপ্রিয়ানা মোব জষ্টিস অমদি সাইবর ক্রাইম হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি। থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চার্জ বি রিসিকেস শর্ম্মনা পুলিস অমসুং মীয়ামগা লৈনগদবা হায়বা হীরমদা রিসোর্চ পর্সন ওইনা ৱা ঙাংখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## জেএসএসকে স্কীমগী শেল পীবা হৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স (রিমস) হোস্পিটালদা বেকলোগ লৈরিবা জে এস এস কে স্কীমগী বিনিফিসরিশিংগী ফঙফম থোকপা শেনফমশিং য়েন্থোকপা হৌরগনি হায়না রিমসকী পব্লিক রিলেসন ওফিসরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

রিমসকী ওইনা জে এস এস কেগী শেনফম ফঙদ্রিবা বিনিফিসরিশিংনা মখোয়গী বেঙ্ক একাউন্ত নম্বর রিমসতা লৈরিবা জে এস এস কেগী কাউন্তরদা পীশিনগদবনি। রিমসকী গাইনিকোলোজি ৱার্দ মনাক্তা লৈবা জে এস এস কে কাউন্তরদা বিনিফিসরিশিংগী বেঙ্ক একাউন্ত নম্বরশিং অদু থাজিনবীয়ু। ইন্সটিট্যুট অসিগী মায়কৈদগী বিনিফিসরিশিংগী মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্তদা শেল থাজিনবা হৌরগনি।

চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ৫ ফাওবদি শেল ওইনা পীবগী থবক হোস্পিটালদা লৈরিবা বিনিফিস-রিশিংগী ওইনা পীখিগনি। মসিগী মতুংদদি পেমেন্টশিং ইলেক্ট্রোনি-কেল্লি পীবা হৌরগনি। মীরোনবী মমাশিংনা ৱার্দতা এদমিট তৌবদা মতম চানা রিমসকী জে এস এস কে কাউন্তরদা মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্তশিং পীশিনবীয়ু। সেপ্তেম্বর ৬ তগীদি জে এস এস কেগী বিনিফিসরিশিংগী একাউন্তদা ওইনা শেল থাজিল্লগনি হায়নসু মখা তারি।

## এমসুগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামনা শীন্দুনা ঙসি এমসু ওফিস জিরিবামদা য়ুনিয়ন অসিগী ৫২ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি হৌরকপদা এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী ৱাই সঞ্জিপনা এমসুগী ফিরাল চিংখৎখি। এমসুগী মপোক কুমওন থৌরম অদুদা এদিস্নেল দেপ্যুটি কম্মিস্নর জিরিবাম শিবদাস শর্ম্মনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী প্রসিদেন্ট ৱাই সঞ্জিপনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী হান্নগী প্রসিদেন্ট দেৱান, পিঐচ গ্যানেন্দ্রো, এএএমএসয়ু সেন্ত্রেল কম্মিটি সিলচরগী পি নিলাকান্তনচিংবা কয়াসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা এম এস এফকী য়ুনিট হাঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্ট্যুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী প্রসিদেন্ট এ রজিবকী মীৎয়েং মখাদা ঙসি জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী এম এস এফ য়ুনিট হাঙদোকখ্রে।

য়ুনিট অসি জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মেম্বর ৬০ য়াওনা শেমখি। মখোয়গী মনুংদা য়ুনিট অসিগী ওইনা কে অঞ্জিৎপু প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি। এ ইবোমচানা জেনরেল সেক্রেটরি, কেঐচ নির্মলতানা ফাইনান্স সেক্রেটরি, গাইঙমলুং রোংমৈনা প্রব্লিসিটি সেক্রেটরি, সোমোরজিৎনা ওর্গানাইজিং সেক্রেটরি, টিঐচ থোইবনা ঐচ আর দি সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে।

জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী এম এস এফ য়ুনিট হাঙদোকপগী থৌরম অদুদা এম এস এফ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী এদভাইজর এম ধমেন্দ্র, এম এস এফ দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী এ রজিব, জেনরেল সেক্রেটরি টিঐচ চিংখৈ অমদি কম্মিটি অসিগী থৌ পুবা কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা এম এস এফ দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী প্রসিদেন্ট রজিব অমদি এদভাইজর ধমেন্দ্রনা এম এস এফ শেম্লকখিবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী এম এস এফ য়ুনিট হাঙদোকপগী থৌরমদা এম এস এফ দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী হান্না থৌ পুরম্বা অমদি হৌজিক হৌজিক থৌ পুরিবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## মীয়ামদগী সজেসন কৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ : মণিপুর এগ্রিকলচরেল প্রদ্যুস এন্দ লাইফষ্টোক মার্কেটিং (প্রমোসন এন্দ ফেলিসিটেসন ) বিল ২০১৭ অসি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ৱেব পোর্টেল www.agrimanipur.gov.in. দা অপলোদ তৌরে। মীয়াম্না হীরম অসিগী মতাংদা কম্মেন্ট অমদি সজেসন পীরকপা য়াগনি। থৱায় য়াওবা মীওইশিংনা ৱেবসাইট অসিদা চঙদুনা কম্মেন্ট অমদি সজেসনশিং পীরকপা য়াগনি। বিল অসিগা মরী লৈনবা মীয়ামগী কম্মেন্ট অমদি সজেসনশিং সেপ্তেম্বর ৩ ফাওবগী মনুংদা amdmn@nic.in দা থারকপা য়াগনি হায়না এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট মণিপুরগী দিরেক্তরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# তরামরিরক শুবা বেষ্ট অম্মিক ২০১৭ প্রিলিমিনরি রাউন্দ পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : অপুনবা মণিপুরী মতম ঈশৈ কাঙলুপ (অম্মিক) বিষ্ণুপুর সেন্তরনা শীন্দুনা ১৪ রক শুবা বেষ্ট ওপ অম্মিক ২০১৭ প্রিলিমিনরি রাউন্দ ঙসি ইবুধৌ য়াঙ্গোই নিংথৌ কম্যুনিটি হোল, বিষ্ণুপুরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডা. এস শান্তিবলানা ইবা *ঐদি কপ্তে নঙগীদমক* কৌবা লাইরিক অমসু মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দকী চ্যেয়রমেন এল রাধাকিশ্বরনা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দকী চ্যেয়রমেন লাইশ্রম রাধাকিশ্বর, অম্মিক বিষ্ণুপুর সেন্তরগী প্রসিদেন্ট সলাম তোম্বা, অম্মিক্কী প্রসিদেন্ট সগোলশেম তোম্বা, সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. আই এস কোন্থৌজমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দকী চ্যেয়রমেন এল রাধাকিশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, হোৎনববু লেপত্রবদি হীরম খুদিংমক্তা মায় পাক্লোইদবগী মরম লৈতে। ঐখোয়না হোৎনবা ৱাৎপনা ঙসিদি মণিপুর অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী শোথনা অমদি অৱাৎপনা পীক থন্না লৈহৌরিবনি। ঐখোয় খুদিংমক হোৎনবা লেপ্পা য়াদে। হোৎনববু লেপত্রবদি হীরম খুদিংমক্তা মালেমগী মীয়াম্না ঐখোয়বু শক খঙগদৌরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী অথোয় অহেন তান্নবদা শৈশকলোয় নুপা নুপী ১৩ না শরুক য়াখি। মসিদগী শৈশকলোয় মরি খনগৎতুনা মণিপুরগী ওইনা অমুক অথোয় অহেন তান্নবদা শরুক য়াগনি।

অপুনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপ বিষ্ণুপুরগী নৌনা লাইফ মেম্বর ওইরবশিং, মীং চল্লক্লবা মীওইশিংসু ঙসিগী থৌরম অদুদা ইকায়খুম্নখি। থৌরম অদুদা ঈশৈ নোংমাইগী লমদা শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। ঙসি য়াইঙ্গোই নিংথৌ কম্যুনিটি হোল বিষ্ণুপুরদা পাঙথোকখিবা ১৪ রক শুবা বেষ্ট ওফ অম্মিক্কী প্রিলিমিনরি রাউন্দদা শৈশকলোয় কয়াসু শরুক য়াখি।